থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

কুমশিদি 'বীর তিকেন্দ্রজিৎ' দ্রামা য়েংবা ফংদরে

হয়েং ওগষ্ট ১৩নি। অথৌবশিংগী নীংশিং নুমীৎ হায়দুনা মণিপুরদা পাঙথোক্লে। ইংলিশ'তা 'পেট্রিওটস দে' হায়বনিনা, কনাগুম্বনদি 'মরৈবাক নীংবশিংগী নুমীৎ হায়নসু মিংগৌনৈ। নুমীৎসিগী মিং, কৌনীংবা মওংদা কৌসনু, চহী খূদিংগী ওগষ্ট ১৩ লাকপদা লমদমসিগী মীয়াম্না নীংশিংলিবসি 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ' অমদি 'থাঙ্গাল জেনরেল' অনীখক্তনি। মখোয় অনীবু নীংশিংলিবই মরম? ১৮৯১দা 'এংগ্লো- মণিপুর ৱার' হায়না খঙনবা লানফম অমা 'বৃটিশ আর্মি' অমদি 'মৈতৈ লান্মী তেঙ্গোল' অনীগী মরক্তা থেংনখি, লানফমদুদা মৈতৈ লান্মী মায়থীখি, লান'দুদা ইন্স্ট্রুমেন্টেল ফেক্টর অমা ওই হায়বইদমক, বৃটিশ এমপাইর'দা শীংনদুনা লান হৌই হায়বইদমক অহল ওইরবা 'থাঙ্গাল' অমদি নহা ওইরিবা 'টিকেন্দ্রজিৎ' অনীবু মঙক্তা থৌরী' থুদুনা (ফাঁসি তৌদুনা) হাৎখিবগী থৌদোক অদু নীংশিংদুনা। অদুগুম্বা 'এংগ্লো-মণিপুর ৱার' কৌবা লান অমা শোক্লখিদে, ঈরাং অমা/ঈহৌ অমা হৌরকখি বৃটিশশিংগী মায়োক্তা, য়েন্নাও-মচা ময়াম কায়দুনা মায়কৈ সলাই খঙদনা চেনখি... হায়দুনা লাইরিক অমদা ইরুবগী ৱাথোক অচৌবা অমসু থোকখিবদু নীংশিংবীরমখিনি। লাইরিক্তুসু থিংজিনখ্রে, অমুক পাবা ফংলরোই। অদুবু, ঐখোয় পূন্নমক্কী থম্মোয়দদি 'মহারাজ' কুল্লচন্দ্রগী মথঙ খনবা কোয়রেং' (যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ) অমসুং 'জেনরেল থাঙ্গাল' অনীনা থৌনা ফনা বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্ট'কী পোলিটিকেল ওথোরিটিদুবু শীংনখি... নিংথৌ লৈঙাক্তা খাবৈ খরা শাবগী বৃটিশ ওফিসর মঙা কংলা উত্রা'মাঙদা মৈতৈ লান্মীশিংনা মঙক কক্তুনা হাৎখি। থৌদোকসিমদি অচুম্বনি হায়বা বৃটিশ রেকোর্দশিংদা ফংই। থৌওং অদু বৃটিশ পেরামাউন্টসি, মখোয়গী শক্তি অমদি নাপল'দা শীংনবনি হায়না লৌফম থোকই। লৌখি। পীক্লবা, নিংথৌ পানবা লৈপাক মচা অমনা, মখোয়গী লমদা নুমীৎ তাবা লৈতে হায়না চাউথোকচরিবা, চাউখ্রবা 'ভারতবর্ষ'বুসু নমথদুনা পাল্লিবা বৃটিশশিংদা অদুগুম্না শীংনরকপা, খাঙদুনা লৈবা ঙমখিদে। 'লান তাশিন্দুনা মৈতৈশিংদা পারা অমা তন্বীগে'- বৃটিশশিংগী ৱারেপনি। পীকখ্রবা মৈতৈ লান্মী-তেঙ্গোলগা বৃটিশ মিলিটরি পাৱরগা লম্বা পাবা-কনানা ঙম্বা হৌনৈ? মায়থীরগনি খঙনা লান্থেংনখিবা, লান্মীশিংগী লিংজেলদুনি ঐখোয়না কাউঙমদবদি।

ওগষ্ট ১৩ লাকপা খূদিং, পুৱারীগী লামায়দা লাচন্দুনা লৈখ্রবা ৱারীদু, হেক-হেক নীংশিংহল্লকই- অমম্বদা নোংথাঙ কুপ্পগুম। মতম অমগী পোলিটিকেল ওথোরিটি'দা শীংনবগী চৈরাক ওইনা শিবই চৈরাক পীখিবা মীশক অমা নৎত্রগা খরবু ঙসিগী পোলিটিকেল ওথোরিটি'না থৌনা ফবা 'অথৌব'নি হায়দুনা মতীক মগুন শৈথাবা, মখোয়গী মফমদা ওথোরিটি'দুনা মকোক নোনবা-পোলিটিক্সকী তায়ওন্নবা মতৌ অসিমত্তংদি ঙক্তবা ঙমদে ঐ। ঙসিগী লো শীংনদুনা 'ইন্দিয়াদগী তোখায় তাজগে' হায়না লান হৌরিবা, লালহৌসিদা থৱায় থাখ্রবা, 'য়াওল্লোয়' মিংথোল পীজরিবা মখোয়গী লুচিংবা কনাগুম্বা অমবু তুংলমচত্তা লৈপাক-নীংবা-অথৌবা কৌনরকপা, ওইথোক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। লাল্লবরা? হৌজিকমক্কী ওইনদি, ৱাখল অসি খল্লুবসিমকসু অরানবা অমনি, ঙসি চৎনরিবা আইনসিগী মতুংইন্না। ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন, চেদতা পীবা হক ওইবনা, ফ্রীদম ওফ থোত'সু চেদ'খক্তা লৈবা ওইগল্লি। ৱাখল হায়বসিনা খল্লবা, ৱাখলদুনা থবক ওইদ্রিঙৈ চীনবানসিনা ফোঙদোরকপা মীওইবগী মচৎনি। ৱাখলদু ফোঙদোকপা য়াদবা লমদম অমা ওইবনিনা, ৱাহৈ খরা ফোঙদোক্লুবসি ইরাল অমা ওইগদ্রা? চিংনবসু পোল্লকই।

ৱাখল অসি খল্লুঙৈ, মখা শমথনা খল্লকই- রূপমহল থিয়েটর'না শান্নবা 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ' দ্রামা'না মণিপুরী-দ্রামাগী পুৱারীদা মশা মথন্তগী ওইবা পুৱারী অমা শেমখিবা; অতোপ্পা দ্রামাটিক পর্ফোর্মেন্স অমত্তনা তানবা ফংলরোইদবা পোপ্যুলারিটি রেকোর্দ অমা থল্লকখিবা; ইপু থাঙ্গাল, যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ, মায়পাকপি, খেলেন্দ্র সুবেদার, রশিকলাল কুন্দু, বামন চরন, পাকাসনা'নচিংবা হিষ্টরিকল কেরেক্টরশিং অসিবু অহিংবা কেরেক্টর ওইহনখিবা দ্রামা অসি লৈরমদ্রবা... অশেংবা থৌদোক খরা, ৱাখলনা শাগৎপা খরা তোৎশিন্নদুনা 'মৈত্রম বীর'না দ্রামা অসি ইরমদ্রবা- ঐদি চিংনৈ, ওগষ্ট ১৩বু ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা থৌরম অমগী নুমীৎ অমা ওইরমগনি হায়বা থাজদে। হৌখিবা চহীচাগী ফিফটিজ অমসুং সিক্সটিজ গী মতমদা রূপমহল থিয়েটরগী 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ' দ্রামানা মীয়ামদা পীখিবা 'মরৈবাক নুংশিব'গী ঈথিল-অঙকপনি। ঙসি ঐখোয়না, মাঙখিগদৌরবা মণিপুরগী নীংতম্বা কন্নবগীদমক মথ্বায় কৎখিবা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বা ফংজরিবা- রূপমহল থিয়েটরগী মপান্দগীনি হায়বসিদি ঐখোয় কাউফম থোক্তে। দ্রামা অসি লৈরমদ্রবা, নুমীৎ অসিসু মতমগী ঈরোন্নুংদা লুপখিদুনা লৈরোন চনখিরল্ল'নি। লৈঙাকসিনা রূপমহলগী দ্রামা অসিদদি অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই।

২০২০! কোভিদ-১৯ পান্দেমিক'না মরম ওইদুনা, রূপমহল থিয়েটরখক নৎতনা অতোপ্পা মফম কয়াদসু ১৮৯১, ওগষ্ট ১৩গী থৌদোক, রিক্রিয়েৎ তৌরমগদবদু তৌখিদ্রে। মণিপুরখক্কী নত্তে, মালেমগী মফম পূন্নমক্তা ('চিনা'খক নৎতনা) থিয়েটর অমদি অতৈ লিভিং-আর্ট পর্ফোর্মেন্স খূদিংমক চপ লেপ্পুনা লেঙ ওৎপা ঙমদ্রবা অমগুম শিরুম-নারুম লৈরি। যূমলোন্নবা অসাম'দদি থিয়েটরনা শিনফম ওইজবা আর্টিষ্ট/দিরেক্টর খরনা চীফ মিনিষ্টর 'সর্বানন্দ সোনোৱাল'দা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা 'মখোয় হিংবা ৱারে, থা তরুক খক্তংগী হিংননবা পেক্কেজ অমা শেন্বীয়ু' হায়না ৱাকৎখিবা-ঐখোয় তরাইনা লৌগুমসি। ইচম চম্বা পাউ ওইনা তাগুমসি। ঐখোয়গী থিয়েটর ৱর্করশিং, শুমাঙ লীলাগী আর্টিষ্টশিং, মণিপুরী ফিল্ম এক্টরশিং, লম্বীগী পোৎ-য়োনবা, মেন্যুঅল লেবর ওইনা থোক্লকপা নুমীৎ অদু লাক্ল'দ্রা? বীর টিকেন্দ্রজিৎ দ্রামা উৎপা লেপখিবসিদা- খান্বা য়াদা খল্লকখিবনি কোকসিদা।

লৌশিং পুক্কে

কোভিদ-১৯: হকচাং মনুংদা করি করি তৌবগে?-১



অদুমওইনমক, অশেংবগী ওইনদি ফেজশিং অসিদা য়াওরিবা ফিজিওলোজিকেল প্রোসেসশিং অদুদি অমগা অমগা খরা-খরা লোনশিন্নবা য়াই। কোভিদ-১৯ নাবা মীওইশিংদা ফেজশিং অসিগী মওং-মতৌশিং অসি উবা ফংদবসু য়াওবা য়াই।

ফেজ ১: নাতোনদা সেল ইনভেজন অমসুং ভাইরেল রেপ্লিকেসন তৌবা

SARS-CoV-2 অমসুং SARS-CoV অনীমক অসি ACE2 কৌবা রিসেপ্টর অমগী খুথাংদা চঙলকই।

ব্লদ প্রেসর অমদি ইলেক্ট্রোলাইটশিং কন্ট্রোল তৌবদা থৌদাং লৌবগীদমক রিসেপ্টরশিং অসিবু কম্মন ওইনা মশক খঙনৈ। হায়রিবা রিসেপ্টরশিং অসি লংস, খৌনাউগী মনীং থংবা শরুক, গট, হার্ট মসল অমদি কিদনিদসু য়াওই।

কোভিদ-১৯ লায়না অসিবু থোকহল্লিবা SARS-CoV-2 না হকচাংদা চঙলকপা মতমদা হকচাংনা করম্না রেস্পোন্দ তৌবগে? ভাইরস অসিবু হকচাংদগী মাঙহনখিনবা হোৎনবদা করম্বা ফিজিলোজিকেল প্রোসেশিংনা মতেং পাংবগে নৎত্রগা থিংবগে, অমদি করম্বা প্রোসেশিংনা লায়না অসি য়াম্না কনশিলহন্দবগে?

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা হৌগৎলকপা মতমদদি লায়না অসিগী মরমদা ঐখোয়দা লৈরম্বা ইনফোর্মেসনশিং অসি কোভিদ-১৯গী ক্লিনিকল রিপোর্টশিংদগী অমদি ইনফ্লুয়ঞ্জাগী লাইচৎকী অমসুং SARS-CoV না থোকহনবা সিভিয়র একুটে রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম (এস এ আর এস) দগী খঙহৌবশিং অদুনা ওইরম্মী।

SARS-CoV হায়বসি SARS-CoV-2 গী জিনোমগা চাদা ৮২ মান্নবা কোরোনাভাইরস অমনি। কুমজা ২০০৩দা ভাইরস অসিনা এস এ আর এস ইপিদেমিক থোকহনখি।

কোভিদ-১৯ অসি শিবগী চাং অমদি লৌনগনবগী চাং ৱাংবগা লোয়ননা সিজনেল ইনফ্লুয়ঞ্জাদগী য়াম্না তোঙাল্লি হায়বসি য়াম্না থুনা ময়েক শেংনা খঙলকখি। অদুবু লায়না অসিগা এস এ আর এসকী মরক্তা মরুওইবা খেন্নবা অমসুং মান্নবা কয়া লৈ হায়বসি খঙলকপদদি মতম হেন্না চঙখি।

খুদম ওইনা কোভিদ-১৯ অসি প্রিসিমটোমেটিক ফেজদসু য়াম্না লৌনগল্লি। অমুকসু, লায়না অসিগী ফেজ অমদা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ফিজিওলোজিকেল প্রোসেসশিং কোন্নদি অমুক কান্নরকপা য়াই। খুদম ওইনা, ভাইরস অসিনা হকচাংদা চঙলকপা ঙমহল্লিবা এঞ্জিওটেন্সিন কনভর্টিং এঞ্জাইম ২ (এ সী ঈ২) অসি লায়না অসিগী মতুং তারকপা ষ্টেজ দদি অমুক লংসপু ঙাকথোক্লবগী মরুওইবা মচাক অমা ওইরকপা য়াই।

আর্টিকল অসিদা হৌজিকফাওবগী ওইনা খঙলবা কোভিদ-১৯গী মরমদা শন্দোক্লা তাক্লি। হকচাং মনুংদা তৌরিবা তোঙান তোঙানবা প্রোসেসশিং অদু মচা তানা উৎনবগীদমক সিভিয়রিটি লেবেল (হায়বদি মাইল্ড, মোদরেট, সিভিয়র, অমদি ক্রিটিকল)গা হায়রপ চান্নবা মওংদা লায়না অসিবু ফেজ মরী থোক্লা খায়দোক্লি।

ACE2 রিসেপ্টরশিং অসি নাতোনদা য়াওবা সেলশিংগী সর্ফেস লেয়রদা য়াওদে, মরম অদুনা SARS-CoV গী ভাইরেল রেপ্লিকেসনগী মরুওইনা মফম অমা নত্তে হায়না কুমজা ২০০৪দা নেদরলেন্দ্সতা লৈবা য়ুনিভর্সিটি মেদিকেল সেন্টর গ্রোনিঞ্জেনগী রিসার্চরশিংনা রিপোর্ট তৌখি।

SARS তদি অপ্পর রেস্পিরেটরি ট্রেক্ট সিমটোম কয়া লৈখিদে, অমদি লংসকী মপান্দা ভাইরেল য়ুনিটশিং য়াম্না তাঙনা ফংই। অহানবদা হায়রিবা ৱাফম অসিনা মরম ওইরগা নাতোনদা য়াওবা ACE2 রিসেপ্টরশিংদা য়েংবা লেপহন্নবা মচাক অমা ওইখি।

ইকুই কুইদ্রিবদা ইন্টর্নেসনল রিসার্চরশিংগী টিম অমনা নাতোনগী সিলিয়েটেদ (তু হৌবা) সেলশিংগী মনুং অমসুং মপান্দা লৈবা গোব্লেট (সিক্রটরি) সেলশিংদা ACE2 রিসেপ্টরশিং থেংনখি।

মসিগী মতুংদা অমুক, সাইন্টিষ্টশিংনা চীন অমসুং লৈদা ACE2 রিসেপ্টরশিং ফংখি, মসিনা খুৎতগী চীনদা লায়না শন্দোকপগী রুট অমা ওইহনবা য়াবগী খুদম ফংখি।

রিসার্চরশিংনা TMPRSS2 কৌবা প্রোটিস অমসু য়াম্না য়ান্বা চাংদা থেংনখি। হায়রিবা প্রোটিস অসিনা কোরোনাভাইরসকী স্পাইককী মতোন অদুবু মচা মচা থোকহন্দুনা নেজল সেলশিংদা SARS-CoV-2 না চঙবা য়াহল্লি।

সেলগী মনুংদা হেক চঙখিবগা ভাইরস অসিগী জিনেটিক মেটরিয়লনা সেল অদুদা ভাইরস অদুগী কোপি মিল্লিয়ন কয়া শেমহল্লি।

পিয়র রিভিয়ু তৌদ্রিবা পেপর অমগী মতুংইন্না SARS-CoV অমসুং SARS-CoV-2 গী মরক্তা জিনেটিককী খেন্নবা অমা লৈবা মরম্না প্রোটিস TMPRSS2 অসি কোরোনাভাইরসকী স্পাইককী মতোন থংবা শরুকপু য়াম্না লাইনা লৌথোকপা ঙম্মী।

মসিনা মরম ওইরগা SARS-CoV-2 না মশাগী আর এন এ অদু সেল মনুংদা চঙহন্নবা শরুক ১০ হেন্না চেৎনা বাইন্দ তৌবা ঙমহল্লি, মসিদগী কোভিদ-১৯না য়াম্না খোঙজেল য়াঙনা শন্দোকপগী মরম খরা খঙবা ঙম্মী।

মণিপুরী লোলবু অসাম পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনদা এগজাম থাবা য়াহনবীয়ু : ইকল

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস):

পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদগী খুন্দা লৈতাদুনা অসামদা লৈরক্লিবা ঈগী মরী ওইরিবা ইরৈচা মীতৈশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং, অসামগী বরাক ভেল্লিদা খুন্দারিবা মীতৈশিংনা অসাম পব্লিক সর্ভিস কম্মিসননা লৌবা এগজামশিংদা মণিপুরী লোলদা এগজাম থাবা য়াহনবীয়ু হায়না চঙশিল্লিবা খোঙজংদা মণিপুরদা লৈজরিবা ঐখোয়নসু থম্মোয় শেংনা শৌগৎচরি হায়না ইরমদম কনবা অপূনবা লূপ (ইকল)গী সেক্রেটরি জেনরেল দল্লিয়ু লুৱাংলৈমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, অসামদা খুন্দারিবা মীতৈ ইরৈচাশিংনা পূন্না হৌরকপা ঈহৌ খূদিংমক্তা ইরমদম কনবা অপূনবা লূপ (ইকল)না মতম পূন্নমক্তা খোঙফম হনবা লৈতনা শৌগৎচগনি। মীতৈশিংনা কুইরবা মতমদগী অসামগী লৈহাওদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরক্লিবনি। মীতৈশিংনা অসামগী চাউখৎ খোঙথাংদা অমদি মতম-মতমগী ঈহৌ কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি হায়বসি পুৱারীনা খূদম ওইরিবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মীতৈশিংগী লোল মণিপুরী লোল অসি ইন্দিয়াগী সাহিত্য একাদেমিনা মণিপুরী লোলগী পূক্কৈবু কুমজা ১৯৭২দা শকখঙবীখি। মখা তারকপা ওইনা মণিপুরী লোল অমা ওইবগী মপূং মরৈ ফাবা ৱাৎত-পাদবা পূক্কৈ লোল অমনি হায়না মুন্না মশক খঙবীদুনা কুমজা ১৯৯২দা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুল্দদা চনবীখিবনি। অসিগুম্লবা চাউখৎলবা মণিপুরী লোল অসিবু ঙাংলিবা অসামগী বরাক তম্পাক্কী মফম কয়াদা খুন্দারিবা মীতৈশিংবু মণিপুরী লোলনা অসামগী পব্লিক কম্মিসননা লৌবা এগজামশিংদা থাহনফম থোকই হায়বসি ইকলনা অসাম গভর্ণমেন্টকী মফমদা থমজরি।

ইকলনা থমজরিবা ৱাফমদি অসামদা খুন্দারিবা মীতৈশিংনা কুমজা ১৯৫৬, ১৯৬৩, ১৯৭৬ অমদি ১৯৭৯ হায়রিবা চহীশিংদা মথং-মনাও নাইনা এল পি স্কুল, এম ঈ স্কুল, হায় স্কুলগী এগজামশিংদা শরুক য়াবা হৌরকখি। লোল অসিদা বি এ, এম এ অমদি পি ঐচ দি ফাওবা পীখ্রে। লোল অসিদা অসাম পব্লিক সর্ভিস কম্মিসননা লৌবা এগজ ামশিংদা বরাক ভেল্লিদা খুন্দারিবা মীতৈশিংবু থাবা য়াহনবীয়ু হায়না ইকলগী মায়কৈদগী অমুক হন্না ৱাফম অসি থমজরি। অসাম লৈঙাক্তা থমজ নিংবা ৱাফম অমনা বরাক ভেল্লিদা খুন্দারিবা মীতৈ (মণিপুরী)শিংবু অশানবা মীৎয়েং অমদা য়েংবীদুনা অসামগী চাউখৎ থৌরাং কয়াদা শরুক য়াহন্দুনা চাউখৎপা অসাম অমা শেমগৎপদা শরুক য়াহনবীনবা ইকলনা হায়জরি হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, অসামদা লৈরিবা মণিপুরীশিং ঙসি-ঙরাংতা লৈরকখিবা মীয়াম নত্তে। চহী লিশাং শীংনা ১৬শুবা সেঞ্চুরিগী মতমদগী মতম অদুগী অসামগী নিংথৌ স্বর্গদেও সুহুংমুংগী হাক্তক্তগী খুন্দা লৈতারগা লৈরকখিবা ঙাক্তনি। লোয়ননা অসামগী তোঙান-তোঙানবা থবক থৌরমশিংদা মাংজিল থানা অসামগীদমক থৱায় খূবাক্তঙা হাপ্পুনা লেল্লকখিবা মীওইশিংনি। চহী লিশিং শীংনা হিংমিন্নরক্লিবা কাঙলুপ-ফুরুপ খূদিংমক চপ মান্ননা য়েংবীদুনা চপ মান্নবা হিংনবগী রাইট অদু পীবীগদবনি। লমদম অমত্তদা লৈমিন্নরিবশিংগী মরক্তা অমনা অমগী নুংঙাইরোইদবা খাঙবদা ঙল্লোইদবা তৌহৈদবা থবক চথ্বরকপা মতমদা পামদবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া থোক্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। অসাম গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ অমা লৌবদা য়াম্না তুং-মাং য়েংলগা লৌহঞ্জনিংই। হীরম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লসু অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংবীদুনা লমদম অসিদসু মীয়ামগী খনবা লৈঙাক অমা লৈরি হায়বগী থৌদাং অদু উৎপীয়ু। মণিপুরগী মীয়াম্নসু অসামদা খুন্দা লৈতারিবা ইচিল-ইনাওশিংগীদমক্তা লেপ্পি হায়বদুসু উৎমিন্নরসি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

যু এন এল এফ ২, পি এল এ ২ ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস):

মোরে অমদি বিষ্ণুপুর কম্মান্দোনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা থিবা-হুম্বা চথবদা যু এন এল এফকী কাদর অনী, পি এল এগী কাদর ২ ফারে।

ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.২৫ রোম তাবদা মোরে কম্মান্দো কাঙবুনা মোরে বোর্দর টাউন ঐচ মোলজাং এরিয়াদা থিবা-হুম্বা চথবদা যু এন এল এফকী কাদর অনী ফাখিবনি। কম্মান্দোনা ফারবা মীওই অনী অদুদি মোরে ৱার্দ নম্বর ৭তগী পুখ্রম্বম অবুং (২১) অপোকপা পি শান্তা অমদি ইম্ফাল ইষ্ট ৱাইতোন ময়াই লৈকাইদগী নিংথৌজম সঞ্জয় (২৮) অপোকপা এন শামুনি।

নুমীৎ অসিগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৪৫ রোম তাবদা মোরে কম্মান্দোনা মোরেগী সনরাইজ গ্রাউন্দ মনাক্তগী পি এল এগী কাদর অমা ফাখি। মহাক্কী মমিং হৈস্নাম সুরেশ (৩৪) অপোকপা ঐচ মনি কৌই। মহাক কৈবুল লমজাও পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা থাঙ্গ হৈস্নাম লৈকাই ময়াই লৈকাইদা লৈবনি।

অমরোমদা, ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.৪০ রোম তাবদা বিষ্ণুপুর কম্মান্দো অমদি ৩১শুবা এ আর য়াওবা কম্বাইন্দ টিমনা পি এল এগী কাদর অমা উপোকপীদগী ফারে। কম্বাইন্দ টিমনা ফারবা কাদর অদু ককচীং চুমনাং লৈকাইদগী থোকচোম জোগেন্দ্রজিৎ (২০) অপোকপা টি ঐচ প্রেমজিৎ কৌই। মহাক বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নখ্রে।

ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী ঈপাক্তা তাওহন্দুনা মাঙহন্নবা হোৎনরিবশিংদা লৈঙাক্লা অকনবা মীৎয়েং চঙগদবনি : কে এস এ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯না লাইচৎ ওইনা মালেম পূম্বা লাকশিনখ্রবা মীওইবগী পূন্সিবু কন্নবা হোৎনরিবা মরক অসিদা দ্রগ অমসুং ময়াই কাবা পোৎলম লল্লোনশিংনা মীয়ামগী পূন্সিবু করিসু লৈতনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী ঈপাক্তা তাওহন্দুনা কংলৈপাকপু মাঙহন্নবা হোৎনরিবা অসিদা লৈঙাক্লা অকনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা খুন্নাই অসিবু কন্নবা হোৎনগবনি হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস' এসোসিএসন (কে এস এ)গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ঐচ বল্লুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, পেন্দেমিক অসিগী খূদোংচাবা লৌরগা দ্রগকী কেটেগোরিদা চিংবা অমসুং চিংদবা মীওইবনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক ওইনা শীজিন্নবা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট, নম্বর ফোর, য়ু, গঞ্জা, ক্বা মনা, তলব, টোবেকোগী পোৎলম খৈনি, চুরুটনচিংবা কয়া লল্লোনবগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলক্লিবা অসি লোনা য়াদবা পোৎলম লল্লোল্লিবশিং চৈরাক পীবা ৱাৎপদগীনি। গ্লোবল পেন্দেমিক অসিগী তাঞ্জা লৌরগা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী পোৎলমশিং মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনরিবা খূৎপূ অসিগী খূদোংচাবা লৌবগা লোয়ননা হেন্না শেন্দোং ফংবা ওইবনা অকিবা লৈতনা লল্লোন-ইতিক তৌবা হেন্না ৱাংখৎলক্লিবা অসি লৈঙাক্লা য়েংশিনবীদুনা অহকপা চৈরাক পীদুনা ৱারক্কদবনি হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

এপ্রিল ২০দা মণিপুর লৈঙাক্লা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমসুং মিনিষ্টর ওফ হোম এফেয়র্স (এম ঐচ এ)না এপ্রিল ১৫দা কন্সোলিদেটেদ রিভাইস গাইদলাইন ওর্দর থোক্তুনা ইন্দিয়া মনুংদা লৈরিবা ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা ইনগদবা গাইদলাইনশিং অদুদা ময়েক শেংনা ইরি মদুদি, ময়াই কাবা চীঙ্গাক য়ু, গুটখা, হীদাক মনানচিংবদা অকনবা অথিংবা থমগনি লোয়ননা মীয়াম তিনবা মরক্তা তিন শীৎপসু অথিংবা লৈগনি। অসিগুম্না য়াম্না ময়েক শেংনা টেবোকো প্রদক্ট, পান মসালা, সুপারিনচিংবশিং চাবা অমদি শাইরগা মীয়াম তিনবা মফমশিংদা ওথোকপা লোনা য়াদে হায়খিবশিং অদু ঙসি ফাওবদা গভর্ণমেন্টনা উরবসু থবক ওইনা লৌখৎলক্তবা অসিনা মীয়াম্না ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী পোৎলমশিং অসি অকিবা লৈতনা হেন্না চাবা হেনগৎলকপা অমসুং লল্লোন-ইতিক তৌবশিংনা হেন্না য়োনবা নুংঙাইরক্তুনা মফম কয়াদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী পোৎলমশিং অসি ব্লেক্কী ওইবা মওংদা লল্লোন-ইতিক তৌবা হেনগৎলকপনি হায়না কে এস এনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্লা মশানা থোকখিবা ওর্দর অদু থবক ওইনা পাঙথোক্লুবা হোৎনবীয়ু। লোয়ননা কে এস এনসু ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা তৌবা থবক খূদিংমক্তা মতেং পাংগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

য়ূমখাইবম ইনাওচা, তোপ মখা লৈকায়

কোভিদ-১৯ লেপ্পা লৈতনা শন্দোরকপগা লোয়ননা অশি-অনা য়াওরকপদগী মীপুমতিংনা অকিবা পোক্লরক্তুনা দোক্টর, নর্স, পেরামেদিকেল ষ্টাফশিং য়াওনা কন্না হোৎনরবসু লায়না অসিবু ফহন্নবগী হীদাক পুথোরক্ত্রিবনা লায়েংশঙশিংদা মথৌ তৌজিরবা ফ্রন্ট লাইন ৱর্করশিংনা নিংহন্নরিঙৈ চৈরক অসিদা য়াম্না পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা মওংদা ওগষ্ট ৭তা জে এন হোস্পিটালগী মেদিসিন দোক্টর, টি ঐচ উথাননা কোভিদ-১৯ অনাবশিংগীদমক্তা থৱায় ফাওবা পাম্মুবা লৈতনা কোইচেন চেন্দুনা হোৎনবদা মশা ফাওবা চৎপা ঙমদ্রবদা পুকচেল চাওবা পেসেন্ট অমগী মতেংনা ৱিল চ্যেরদা চৎতুনা অনাবশিংগীদমক্তা হোৎনখিবা থৌওং অদু অতৈ দোক্টর পূন্নমক্লা তমজনিংঙাইনি। পনবা য়াবদি দোক্টর টি ঐচ উথান মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী ইহান হানবা পেসেন্ট লায়েংদুনা ফহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা দোক্টর অমনি। মণিপুরদা লৈরিবা দোক্টরশিংনা মথৌ মশক খংবগা লোয়ননা অনাবশিংবু ফজনা লোইনবিরবা, অনাবশিংনসু দোক্টরশিংনা হোৎনবীরিবা অদুদা ইকায়খুম্নন্না চৎমিন্নরবদি করিগুম্বা কান্দা পেসেন্ট অমদি দোক্টরশিংগী মরক্তা খৎন-চৈনবা হেক-হেক থোরক্লিবা অসিসু খরমখৈদি ফগনি। দা. উথাননা লৌখিবা থৌদাংবু থাগৎচরি।

ইনাওতোম্বা নাওরেম, লৈমপোকপম খুনফম মখা লৈকায়

কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইদুনা মীয়াম পূম্নমক হা-কা লাওনা ৱানরে। শেল অমত্তা থোক্তনা লৈরকপা থা মশীং য়াম্লক্লে। কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা লৈবা লৌমীশিংদদি অমুক্কা হেন্না অচৌবা অৱাবা অমা ওইরে। মরম অদুনা প্রধান মন্ত্রি কিষান সমান নিধি য়োজনা (পি এম-কিষান) স্কিমগী অনীশুবা অমদি অহুমশুবা ইন্সটোলমেন্ট সেন্টরনা কাইথোরক্লবসু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ফাওবা পীরকপা লৈত্রি। করি মরমগীনো হায়বসু চপ চানা খঙহনবিবসু লৈতে। ওফিসতা চৎলগা হংলুগদবসু কোভিদ-১৯গী অথিংবা লৈখিবনা চৎপা ঙমদ্রে। য়ারগদি ষ্টেটকী মায়কৈদগী পি এম কিষানগী হৌজিক ফাওবা পীবিদনা লৈরিবা ফংফম থোকপা মতমগী অপিকপা শেলফম ওইরবসু পীবিনবা অথুবা মতমদা হোৎনবিয়ু। মদুনা লায়রবা লৌমীশিংদা য়ামদ্রবসু য়ামদনা শেল ওইনা লুপা ২০০০/২০০০ ফংহনবিরবদি থবক শুফম নোমফম লৈতনা ৱানা হিংলিবা লায়রবা লৌমীশিংদা অচৌবা মতেং অমা ওইগনি খঞ্জে। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবিদুনা অথুবা মতমদা য়াহনবিরবদি হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইজগনি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

এম ৱাই এফ এমনা মফম ৩দা মীফম পাঙথোকখ্রে

লক্ষিপুর, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস):

মণিপুরী য়ুঠ ফ্রন্ট ওফ অসাম (এম ৱাই এফ এ) লক্ষিপুর সব-দিভিজন ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা লক্ষিপুর কন্সটিট্যুয়ন্সিগী মনুং চন্না লৈবা খুল অহুম হায়বদি লাবোক পার্ট-১, বিনাকন্দি পার্ট-১ অমদি ললাং খুনদা মণিপুরী লোলবু অসাম লৈঙাক্কী এসোসিএট ওফিসল লেংগ্বেজ ওইহন্নবগীদমক এৱেরনেস কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে।

লাবোকতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা কুলচন্দ্র, নবদিপ, এল লিলি সেরাম হেরাজিৎনচিংবা মীওইশিংনা মীফম অদুগী মপূ ওইখি। বিনাকন্দি খুলদনা কান্ত, প্রো. রাজবিহারি, কে ঐচ কৃষ্ণমোহোন, মনিতোম্বা, ইমা সনাথোইনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। ললাং খুলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদনা প্রসিদেন্ট ওইনা সিনাম মনিমোহোন, এ লিলি, এম ৱাই এফ এগী প্রসিদেন্ট সেরাম হেরাজিৎ, ব্রজগোপাল, কে ঐচ কৃষ্ণমোহোন, ইমা সনাথোই অমসুং সুরেন্দ্রনচিংবসু শরুক য়াখি হায়রি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১২।০৮।২০২০ ইং, য়ুমশকৈশা;
অয়ুক ১১ ফাওবা থৱানগী ২৩ নি পাল্লি, মতুং ২৪নি পাল্লনি।

মেষ : লৈঙাক্কী লম্দা মরুপ কায়নবা অমদি ঙক কল্লগা হেন্না মীনা উশিত্তবা লৈগনি। অরাপ্পগী মতেং লৌবা, লেংদবা লন চাওখৎপা অমদি মীয়াম্না য়াবা নুমীৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

বৃষ : অনীংবা থবক্তা থৌনা লিংজেল ফূদোকপা য়ারগনি। চিংনগনু কনানসু লাকচবা ঙল্লোইদবা নুমীৎনি। লেপকনু মতম মাংহনগনু, মরুপকীসু মতেং ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : পূক্লিং পেন্না নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

মিথুন : য়াম্না ঙন্না অফবা খোঙশাল লৈ। য়েক্লববু লাকশিনবতা নত্তনা পন্দুনা লৈরম্বা শেল ফংবগী নুংঙাইবা লৈয়ু তম্মী। খূরৌদি থাংই-থিবা কল্লু। ৱানোম্বা য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী : ঙাংথোক্তবনা হেন্না ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

কর্কট : থবক পাংবা, শেলসু ফংবা য়াবা অমদি হকচাংসু খিংবা নুমীৎনি। মীতোপ্পা হায়বা লৌগনু, য়েৎকনু অমদি অঙম্বগী মনাক নকপা চেকশিল্লু। পংশিন্নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী : য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ : অয়ুক পুং ৮দগী মিপাইরম্বা কোকচগনি, অফবা খোঙশাল লৈরনি অমদি লল্লোন ইতিক্লচিংবদসু চাওনা কান্নবা ফংলনি। নাপলনদি মাংহনবা ঙমই-কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী : নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

কন্যা : লৈশি-লৈথোল য়াওনা ঙাংবা শকপা হৈবা অমদি মচু তানা থবক পাংবনা ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংজৌ হায়বা নুমীৎনি। খৎন-চৈনবা নংগনি-চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী : শাওবনা মাংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

তুলা : য়াম্না ঙন্না অফবা থৌ পাংহৌবা ফগনি। লাই নীংজৌ শোয়দনা পূক্লিং ঈংগনি। অরং-অরাক লৌশিনবা য়াগনি। অদুবু য়েক্লবনা য়েংশিনবা লৈ। মীৎ-না শিংউ।
লৈশা পাখংশিংগী : লাংতক্লবা ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক : অঙম্বনা চানবীগনি, শেন্দোং চাওনা ফংগনি, নচা ননাই/নহৈ/লৌশিং চাওখৎকনি। অৱাবা খরা লোয়নরসু মীচং হেনগৎকনি। পোৎ-চৈ মাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

ধনু : ঈং-তপ্পদি অমদি অশাওববু খূদুম চল্লদি খন্থরগা পাংবা থবক পূম্বা মায় পাক্কনি। নথক থোংবগা মুক্লগনু, হন্থবা লোয়নগনু। থেংলপ্পা ইকায় খুম্নবা ফংজৈ।
লৈশা পাখংশিংগী : ঙাকপীবা তম্মু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

মকর : ঙাংবগী কান্নবা ফংলোই অমদি হোয়া ফবনা মতম মাংদুনা তোক্কনি অদুনা পাংগদবা থৌদুদং পাংউ। তুমিন লৈবনা মফরে, হায়নবনি। থৌনাদি ফগদবনি।
লৈশা পাখংশিংগী : মরুপকী মতেং লৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

কুম্বা : য়াহৌ থেংলদি অফবা খোঙশাল মাংজগনি। লৌশিং তানশিনবা মায় পাক্কনি অমদি লেংদবা লন চাওখৎপগী নুংঙাইজবসু লৈগনি। অচুম্বনা মায় শোয়দনা পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন : মরুপ-মপাংগা ৱাখল তান্নদবা লৈগনি অদুনা চীন কনবা কান্নরোই। খন্থদনা মাংলোমদা হেক্তা চঙশিনগনু অমদি নাইতোম ৱা তুপকনু। নক্লবা মী লোয়নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।